HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



খাবৈশোইদা লৈবা ববিনা হোস্পিটালনা মেন্টেল হেল্থ ইস্যুশিং মায়োক্লরবশিংগী লায়েং অমসুং মাঙজৌননা দাইগ্নোসিস, কন্সলটেসন তৌনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা ফ্রী মেন্টেল হেল্থ চ্যেক-অপতা নহা অমা টেষ্ট তৌখিবা

লৌশিং পূক্কে : হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা খোঙনা ... লামায় ২
লামায় ৪ মণিপুরগী গন কলচর অমসুং কাওবোয় ফিল্ম!
ঙসি ওক্টোবর ১৫ নুমিৎসিদা থম্মোয়নুংদা নিল্লকপা পেন্দ ... লামায় ৫
লামায় ৬ ময়েক চৎত্রবা মীওইশিংবু ইবা-পাবা হৈহন্নবা ...
ওপোজিসনগী এম পিশিংনা জে পি সীগী মীফম বোয়কোট ... লামায় ৮
লামায় ১০ অহৈবম বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর...

দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী জুবিলি হোলদা নোংমগী ওইবা সোয়া মিল্ক, টোফু অমদি শঙ্গোম সনা শেম শানবগী পাঙথোকখিবা দেমোন্সত্রেসন কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 48, Issue No. 192 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 15, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### ইন্দিয়া লৈঙাক্কা মণিপুরগী লান লোইশিনবা পান্নব্রা

# ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০দা দেল্লীদা এম এল এশিংগী মীফম পাঙথোক্লগনি

## শরুক য়াগদবা মীতৈ, নাগা এম এল এশিং চৎনখ্রে, কুকিগীদি খঙদ্রি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক থা ১৭ মপূং ফাখিদুনা থা ১৮ চঙশিল্লক্লবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অফোংবা অহানবা থবক ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তারকপদগী ন্যু দেল্লীদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীহুৎশিং ওইরিবা অখন্নবা এম এল এশিংগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্লনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা মীফম অসিদা মীতৈ অমসুং নাগা ফুরুপকী এম এল এশিং শরুক য়ানবগীদমক ঙরাংদগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল থাদোক্লখ্রবসু কুকি এম এল এ ১০গী মনুংদগী কনা-কনানা শরুক য়ারগদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা থৌরাং তৌরকপনি হায়বা মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ঙরাংদগী হৌনা দেল্লীদা লৈরক্লিবা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তগী অমনা পাউচে অসিদা




ফোঙদোরকপদা হয়েংগী মীফম অসি পাঙথোক্লবগী মতাংদা অইবা চেরোল অমা ওফিসল ওইনা পীরকখ্রে। চেরোল অদুগী মতুংইন্না মীফম অসি হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তারকপদগী ন্যু দেল্লীগী খান মার্কেট মনাক্কী ২০- সুব্রমনিয়ম ভার্টে মার্গতা লৈবা মিনিষ্ট্রিগী মফম অমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক দেল্লীদা লৈরিবা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মনুংদা তোংব্রম রোবিন্দ্রো, থোকচোম রাধেশ্যাম অমসুং

### মীফম অসিদা মীতৈগী এম এল এ/মিনিষ্টর ৮, নাগাগী ৫ অমসুং কুকিগী ৫ শরুক য়ানবা খঙহল্লকপনি : সোর্স

স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রত য়াওরে হায়রি। অদুগা মীফম অসিগীদমক্তা ঙসি ইন্দিগোগী তোঙান তোঙানবা অয়ূক অমসুং নুংথিলগী ফ্লাইটশিংদা ইম্ফালদগী চঙলকখিবশিংনা টি ঐচ বসন্তকুমার, ৱাই খেমচান্দ, অৱাংবৌ ন্যুমাই, ডা. এস রঞ্জন, লোসি দিখো, এল রামেশ্বর, কে ঐচ রঘুমনি, গোবিন্দাস কোন্থৌজমনি হায়রি।

মিনিষ্টর ওইবসু য়াওরিবা এম এল এশিং অসিগী মথক্তা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবসু ইম্ফালদগী দেল্লী তম্না লাকখ্রে । অদুগা এন পি এফকী এম এল এ অহুমগী মনুংদগী রাম মুইভাদি হান্নদগী হৌনা দেল্লীদা লৈরকখ্রবনি হায়রি।

মীফম অসিদা শরুক ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চহী ৫ চূপ্না থল্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুল লৌথোকখ্রে

## কোংগ্রেসকা চৎমিন্নবা ওমর অব্দুল্লানা লুচিংবা লৈঙাক লিংলগনি

**ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী) :**

ঙরাং নোংমাইজিং ওইরবসু প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা খুৎয়েক পীদুনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না হৌখিবা কুম্জা ২০১৯গী ওক্টোবর ৩১দগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা থল্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লৌথোকখিবগা লোয়ননা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখলদা কোংগ্রেসকা চৎমিন্নদুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংখ্রবা নেসনল কনফরেন্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওমর অব্দুল্লানা চীফ মিনিষ্টর ওইনা লুচিংবা লৈঙাক অমা শেমগদৌরি।

প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদগী প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লৌথোকখিবা অদু জম্মু এন্দ কাশ্মীর রিওর্গনাইজেসন এক্ট, ২০১৯ (৩৪ ওফ ২০১৯) গী সেক্সন ৭৩ অমসুং কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকিল ২৩৯ অমদি ২৩৯ (এ) না পীবা পৱারগী মতুংইন্না জম্মু এন্দ কাশ্মীর রিওর্গনাইজেসন এক্ট, ২০১৯গী সেক্সন ৫৪গী মখাদা য়ুনিয়ন টেরিটরি অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমা খন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লৌথোক্কদবনি হায়বা প্রোভিজনগী মতুংইন্না লৌথোকখিবনি হায়রি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা প্রসিদেন্টস রুলগী



লৈঙাক থল্লকখিবদু পি দি পি অমসুং বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অদুনা জুন ১৯, ২০১৮দা কিন্থরকখিবদগীনি। য়ুনিয়ন টেরিটরি অসিদা ওইরকখিবা পোলিটিকেলগী তং তাদবা ফীভম অদুগী চৈরক্তা কুম্জা ২০১৯গী ওগষ্টতা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা অখন্নবা পীরম্বা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকিল ৩৭০ মূথৎলগা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদগী লদাখ খায়দোল্লগা য়ুনিয়ন টেরিটরি অনী থোক্না শেমখিবনি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্না জম্মু এন্দ কাশ্মীর রিওর্গনাইজেসন এক্ট, ২০১৯ শেমদুনা চহীদুমক্কী ওগষ্ট ৫দা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লগা অয়াবা পীখিবনি। নুমিৎ অদুমক্তদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস লৌথোক্লবা আর্টিকল ৩৭০ রিপিল তৌখিবনি। অদুগা ওক্টোবর ৩১, ২০১৯দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদগী লদাখ খায়দোক্লগা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমমম ওইহনবগা ইরোয়ননা নুমিৎ অসিদগী প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লৈহল্লকখিবনি।

অদুবু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অপূনবা এসেমব্লি সিট ৯০গী মনুংদা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্টদা কোংগ্রেসকা খূৎশম্নুনা চৎমিন্নরকখিবা নেসনল কনফরেন্সনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবদগী পার্টি অনীসিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নগী ফীভম লাকখিবনি। মসিগীদমক নেসনল কনফরেন্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওমর অব্দুল্লাবু কোংগ্রেসকা চৎমিন্নরক্লিবা এলাইএন্স অসিগী লিদর ওইনসু খনখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, ওক্টোবর ৩১, ২০১৯দগী হৌরক্লগা ঙরাং ফাওবদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চৎনহল্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না থেঙ্খাং কয়ারক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন শাংদোকহল্লক্তুনা থল্লকখিবনি।

### মণিপুরদগী হৌখিবী শিরলি রোয়বু থাইলেন্দগী ইন্দিয়ন এম্বেসিদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মীহুৎ ওইনা অমুক্কসু খনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদগী হৌখিবী শিরলি রোয়বু থাইলেন্দগী ইন্দিয়ন এম্বেসিদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা অমুক হন্না এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে হায়রি।



মহাকপু অমুক হন্না থাইলেন্দগী ইন্দিয়ন এম্বেসিদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মীহুৎ ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরক্লিবসি মহাক্না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী লমকোয়বশিং অমসুং থাইলেন্দদা লৈবা এক্সপার্টশিং য়াওনা লৈবাক অদুগা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগগী মরক্তা অচেৎপা মরী থম্নবগীদমক চথরক্লিবা থবকশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎলদুনা মহাকপু অমুক হন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### পুলিসনা য়ুথ ওফ মণিপুরগীনি হায়দুনা ফাজিনবা মেম্বর ৪ থাদোক্লবা দিমান্দদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ৬কী নোংঙাল্লমদাইদা ইম্ফাল পি এসকী টিম অমনা ফাজিনখিবা লো কোলেজগী মহৈরোয় লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়দগী লৌরেম্বম শিন্থাঙম্বা এলিয়জ রেম্বো (২৬) অপোকপা এল চন্দ্র, কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দগী মাইস্নাম রোবিন্সন এলিয়জ থৱানজাউ, ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দগী



তেকচম বিসাল এলিয়জ অথোইবা (২৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি গম্ভির অমদি থা অসিগী ৯দনা শীংজমৈ সাপম লৈকায়দগী হুইদ্রোম তোমথিন (৩৬) অপোকপা এস নন্দকুমারবু য়ুথ ওফ মণিপুরগী মেম্বরশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরগা ফাজিন্দুনা থল্লক্লিবা অসি অথুবা মতমদা থাদোকপীয়ু হায়দুনা ঙসি লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় কৈথেল অমদি ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা ৱাকৎ খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে।

লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়দা চঙশিনবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবী অবেনাও কৌবী নুপী অমনা পাউচে অসিদা হায়, মখোয় মরি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### খুরখুল পি ঐচ সীদা ফূবদগী শিবা মীওই অমগী হকচাং থমজিল্লম্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা শকখঙদবা মীওই খরনা কার অমদা হাপ্তুনা পুরকখিবা অশিবা হকচাং অমা খুরখুল পি ঐচ সীদা থমজিল্লম্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী মমিং লাইশ্রম জোন্সন (৩৫) অপোকপা এল ধনঞ্জয় কৌই, লাইফম খুনৌদগীনি । মহাক্কী হকচাংগী মফম কয়াদা ফূবগী মমিশিং লৈরমখি হায়রি।

থৌদোকসিগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা লৈখিদ্রবা জোন্সন ঙসি অয়ূক অঙনবদা ময়ূমদগী মমান্নবা খরা উন্নরুগনি হায়রম্লগা থোকখিবনি। নুংথিলগী পুং ২ অদুৱাই ফাওবা ময়ূমগী মীশিংগা মহাক্না মোবাইল ফোনদা পাউ ফাওনরমখি অদুবু মদুগী মতুংদগীদি পাউ ফাওনবা ফংখিদ্রে হায়রি।

শকখঙদবশিং অদুনা মহাকপু পুরক্লগা লায়েংশঙ অসিদা থমজিল্লবদা লায়েংশঙ অসিগী ষ্টাফশিংনা ও পি দি টিকেট কক্লক্লবা



হায়রুবদগী মহাকপু পুরক্লিবা মীওইশিং অদু লায়েংশঙ অসিদগী থোকখিবদগী অমুক হঞ্জিল্লকখিদবনি হায়রি।

মহাকপু করম্না মীওইশিংনা করিগীদমক ফূরগা হাৎপনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

### ঈশিংদা ইরাক্লবদা মীওই ৩ লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.০৩ রোম তারকপদা সেকমাই পি এসনা কোল্লিবা মহারাবি ময়ায় লৈকায়গী পূখ্রিদা ইরাক্লদুনা লুপখিবা খুমন্থেম জিতেন (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ তোম্বা কৌবা মহারাবি অৱাং লৈকায়দগী মীওই ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### ইকনমিষ্ট ৩দা ইকনমিক সাইন্সেসতা নোবেল প্রাইজ ২০২৪ পীরগনি

**ষ্টোকহোলম, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী) :** শক্লাইরবা ইকনমিষ্ট দারোন এসমোগ্লু, সাইমন জোন্সন অমসুং জেমস এ রোবিনসনদা চৎলিবা চহী ২০২৪ অসিগী ওইনা ইকনমিক সাইন্সেসতা নোবেল প্রাইজ পীরগনি হায়না ঙসি রোয়েল স্বেদিস একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা লাউথোকখ্রে।

খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা মনা অসি ফংলগদবা এসমোগ্লু অমসুং জোন্সনদি মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা থবক তৌরিবনি। অদুগা রোবিন্সননা য়ুনিভর্সিটি ওফ চিকাগোদা রিছর্স তৌরিবনি।

### এম আর-আই আর বিগী জেমাদার লৌনবগী ইন্টরভিয়ু য়ৈথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা ওগষ্ট ২৮ অমসুং ২৯দা থোকখিবা নোটিফিকেসনশিংগী মতুংইন্না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এম আর- আই আর বিগী জেমেদারশিং দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্ট (পি ঈ টি) অমসুং রিট্টন টেষ্ট পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংগী পর্সনেল টেষ্ট/ইন্টরভিয়ু/ভাইবা-ভোসি অদু ইম্ফালগী মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদকী কেম্পস অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা থা অসিগী ১৬তগী হৌরদুনা ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না লেপখিবদু তঙাইফদবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিজনশিংনা মরম ওইরদুনা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়রি।

ৱাফম অসি রিক্রুটমেন্ট অসিগী দি পি সীগী চেয়রমেনসু ওইরিবা দি জি পি (পি)/মেনেজিং দিরেক্টর (এম পি ঐচ সী) লিমিটেদ সী দোঙেলনা ঙসি থোরকপা নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লকপনি।

### নুপী য়াওনা কে সী পি-নোংদ্রেনখোম্বা গ্রুপকী কাদর ৭ ফারে

## এক্সটোর্সন তৌরম্বশিং এন এস এগী মখাদা বুক তৌবা হৌরগনি : পুলিস

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** নম-হাদুনা অমদি কিহন-খংহন্দুনা মীয়ামদগী অমদি দুকান্দগী শেল খায়নবা হোৎনরম্বনি হায়বা নুপী অমা য়াওনা কে সী পি-নোংদ্রেনখোম্বা গ্রুপকী পূন্না কাদর তরেৎ ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সকী কম্বাইন্দ টিম্না লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন-থ্রীদগী ফাগৎপা ঙম্লে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা ঙসি মহাক্কী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

এস পি, কে এস ঐচ সিবকান্তনা পাউমীশিংদা হায়, ঙসি অয়ূক অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা মফম অদুদা ওপরেসন চথবদা কে সী পি-নোংদ্রেনখোম্বা গ্রুপকী কাদর তরেৎ ফাগৎপা ঙমখিবনি।

ঙসি ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদগী লৌশন্বম অলিন (২৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল বাইরোন, পাৎশোই পার্ট ৱানদগী কোন্সম রোহিট

### নম্বর প্লেট মঙা য়াওরম্বা টোয়োটা ফোর্চুনর কার অমা, অঙৌবা মচুগী হুন্দাই গ্রান্দ আই-টেন কার অমা, রোয়েল ইনফিল্ড ক্লাসিক-৩৫০ অমা, পিষ্টোল ২, মরূ অমদি মেগজিন, মোবাইল ফোন অমসুং কেমোফ্লেজ য়ুনিফোর্মশিং রিকোভর তৌরে

(২৩) অপোকপা কে গোনেন্দ্রো, পেলেস কম্পাউন্দ মহাবলি মমাঙদগী সঞ্জু ৱাহেংবম এলিয়জ লেম্বা (২০) অপোকপা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ওল মণিপুর ইলেক্তেদ পি আর আইজ ওফ ২০১৭না এম পি বিমোলদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস):**

ওল মণিপুর ইলেক্তেদ পি আর আইজ ওফ ২০১৭কী এদহোক কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ঙসি এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী কৈশামথোংদা লৈবা য়ূমদা লাক্তুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।



মেমোরেন্দম অদুনা গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং জিলা পরিষদনচিংবা মণিপুরগী রুরেল লোকল বোদিশিংগী হৌজিক ওইরিবা নীংবা কায়নীংঙাই ওইরবা ফীভমশিং ময়েক শেংনা পনখিবগা লোয়ননা এম পিনা মণিপুরগী বোদিশিং অসিবু নীংথিজনা চলাইবা ঙম্নবগীদমক পঞ্চায়টি রাজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা তকশিনবীনবা হায়জখি।

পূন্না ৱারোল তরেৎ য়াওবা মেমোরেন্দম অদুনা মরম চাদনা পাঙথোক্তনা নমশিল্লক্লিবা পঞ্চায়ট ইলেক্সনশিং পাঙথোকহনবগা লোয়ননা জিলা পরিষদ অমসুং গ্রাম পঞ্চায়টশিংগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিশিং শেমখ্রিবা অসি লোগী ৱাংমদনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

মঙাশুবা মণিপুরগী জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন ২০১৭কী মতম কুম্জা ২০২২গী ওক্টোবরদা লোইখ্রবসু হৌখিবা থা ২৩ লোম অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীখল অসি পাঙথোরক্তবনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ওক্টোবর ১৬তগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ক্লাসশিং চথরগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী) গী গেষ্ট ফেকল্টি এসোসিএসননা মমাঙ থাগী ২৬তগী হৌদুনা চথরকখিবা এসোসিএসন অসিগী দিমান্দশিং তানবগী খোঙজং অদু মহৈকোল অসিগী হায়র ওথোরিটিশিংনা থবক্তা ওন্থোরক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা থা অসিগী ১৬তগী মহৈকোল অসিগী ক্লাসশিং হান্নগুম্না চথবা হৌরগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোরক্লি

### ক্লেম তৌরদ্রবদি অশিবা হকচাং দিস্পোজ তৌখ্রগনি : পুলিস

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১২গী অয়ূক্তা উৎলৌ মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ৱাই এল এস য়ু ক্লবকী ষ্টিয়রকেসতা লৈরমখিবা মমিং মথা খঙদ্রিবা নুপাগী হকচাং অদু থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা কনামত্তনা ক্লেম তৌরদ্রবদি লোগী মতুংইন্না দিস্পোজ তৌরগনি হায়না নম্বোল পি এসকী ওফিসর ইন-চার্জনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হকচাং অসি হৌজিক রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা মমিং মথা খঙদোক্লবগীদমক থম্লি। মীওই অসি মশা পায়, মশম মুরগা তেল্লি, মমায় কোইদানৈ, ফুট ৫গা ইঞ্চি ৪ ৱাংই, কুলৈ কুচুনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মেদিএসন সেন্টর অমা হাংনবা থৌরাং তৌরি : চীফ জষ্টিস

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :**

ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কোর্ট অসিগী লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটি অমদি সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী মেদিএসন অমসুং কন্সিলিএসন প্রোজেক্ট কম্মিটিগা পূন্না খূৎশম্নদুনা ঙসি কোর্ট অসিগী ওদিটোরিয়মদা পুং ৪০গী মেদিএসন ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ১৮ ফাওবা পুং ৪০ চূপ্না চথগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোক্লদুনা হায় কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা হায়, ত্রেদিসনেল ওইবা মওংগী লিটিগেসন হায়বদি কোর্টতা কেস থেংনদুনা জজনা ৱায়েনবগী মওং অসিদগী খরা নাথৈরবসু মেদিএসন হায়বদি মূক্লরিবা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা অসিসু হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরক্লি। মেদিএসন তৌবা মতমদদি নাকল অনীমক্কী



মায়কৈদগী চয়েৎনবা অদুগী সোল্যুসন পুথোক্লবা অমদি য়াশিন্ননবা মওংদা চঙশিল্লক্লি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুর মনুংদসু মেদিএসন সেন্টর অমা হাংনবা হায় কোর্ট লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটিনা থৌরাং তৌরি। থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোরকপা মতমদদি মেদিএসন তৌবগী মফম অমা লৈহন্দুনা চয়েৎনবা নৎত্রগা মূক্লবা লোইশিনবা অদুগা য়াশিন্নবা পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। হায়রিবা সেন্টর অসি হাংদোরকপগা লোয়ননা কোর্টশিংদা লৈরিবা পেন্দিং কেস হন্থহনবা ঙমগনি অমদি লিটিগেন্টশিংগী মরক্তা তুং কোইনা ৱাখল তামিন্নবসু ঙম্লগনি হায়খি।

চীফ জষ্টিসনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী জষ্টিস প্রোসেস অসি নীংথিনা চলাইনবা হোৎনরকপা মতমদা কেস মশীং য়াম্না নাকল অনীমক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### মফম খঙলকখিদবা ঙাঙোম শ্রিনিভাস হৈরোকতা লৈরম্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮গী অয়ূক্তা কোলেজ দগী বি এ অহানবা সেমিষ্টরদা মিং চন্নবা ফোর্ম লৌরুগনি হায়দুনা ময়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবা কুম্বী পি এসনা কোল্লিবা বোরায়াংবি জি পিগী খুল্লাকপাৎ ময়ায় লৈকায়দগী ঙাঙোম শ্রিনিভাস (১৮) অপোকপা এন জি ইবোতোম্বী ঙরাং হৈরোকতা লৈরে হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ববিনা হোস্পিটালনা ফ্রী মেন্টেল হেল্থ চ্যেক-অপ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙন্না অমসুং মাঙজৌননা দাইগ্নোসিস, কন্সলটেসন অমসুং মেন্টেল হেল্থ ইস্যুশিংগী ত্রিটমেন্ট পীনবগী পান্দমদা ববিনা হোস্পিটালনা ফ্রী মেন্টেল হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

লায়েংশঙ অসিগী কেম্পতা পাঙথোকখিবা ফ্রী মেন্টেল হেল্থ চ্যেক-অপ অসিদা মীওই ৫০ রোম্না শরুক য়াখি। অদুগা মখোয়দা থাইরোইদকী কমপ্লিমেন্টরি দাইগ্নোষ্টিক টেষ্ট, কিদনি ফঙ্কসন টেষ্ট, লিভর ফঙ্কসন টেষ্ট অমসুং মথৌ তাবা পেসেন্টশিংগী ব্লদ সুগর লেভেলশিং খঙদোকপগা লোয়ননা এক্সপার্ট সাইকিয়াত্রিষ্টশিংনা ফ্রী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫